





*ওষ্ট্রেলিয়াগী গোল্ড কোষ্টতা পাঙথোক্লিবা ২১শুবা কম্মনৱেল্থ গেমসকী ৯নিশুবা নুমিৎ লোইশিনখিবদা নুপীগী রাইফল থ্রি পোজিসনদা সিলভর ফংখিবী ইন্দিয়াগী সুট্টর অঞ্জুম মোদগিল (ওই) অমসুং রেষ্টলিং দিসিপ্লিনদা নুপীগী কেজি ৫৭ কী ফ্রি ষ্টাইলদা ইন্দিয়াগী সিলভর ফংখিবী পুজা ধন্ধা (য়েৎ)*

## ইন্দিয়াগী টেজাশ্বিনি সৱান্ট, অনিস ভনৱালা অমসুং বজ্রং পুনিয়া গোল্ড ফংখ্রে, রেষ্টলিং, টেবল টেন্নিস অমসুং সুট্টিংদা সিলভর ৩ অদুগা বোক্সিং অমদি রেষ্টলিংদা ব্রোঞ্জ ৪ ফংদুনা অপুনবা মেডল ৪২ শুখ্রে



*নুপীগী রাইফল থ্রি পোজিসনদা গোল্ড ফংখ্রবী ইন্দিয়াগী টেজাশ্বিনি*

*গোল্ড কোষ্ট, এপ্রিল ১৩ঃ*

ওষ্ট্রেলিয়াগী সিটি গোল্ড কোষ্টতা পাঙথোক্লিবা ২১শুবা কমনৱেল্থ গেমসকী ঙসি ৯নিশুবা নুমিত্তা ইন্দিয়াগী মায়কৈগী গোল্ড ৩, সিলভর ৪ অমদি ব্রোঞ্জ মেডল ৪ হাপচিল্লগা গেমস অসিদা ইন্দিয়াগী অপুনবা মেডল মশীং ৪২ শুবা ঙমখ্রে।

ঙসি গোল্ড মেডল ফংখিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোই অহুম অদুদি সুট্টিং দিসিপ্লিনদা নুপীগী রাইফল ৩ পোজিসনগী টেজাশ্বিনি সৱান্ট, নুপাগী মিটর ২৫গী রেপিদ ফায়র পিষ্টোলদা অনিস ভনৱালা অমদি রেষ্টলিংদা বজ্রং পুনিয়ানি।

সিলভর ফংখিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংগী মনুংদা সুট্টিংগী রাইফল ৩ পোজিসনগী অঞ্জুম মোদগিল য়াওখি। রেষ্টলিংদা নুপীগী কেজি ৫৭কী ফ্রি ষ্টাইল ইভেন্টতা পুজা ধনদা , দিসিপ্লিন অদুম্মক্কী নুপাগী কেজি ৯৭কী কাংলুপ্তা মোসম খাট্রি অদুগা মরীশুবা সিলভর মেডল অদুনা নুপীগী টেবল টেন্নিসকী ডবলসকী ইভেন্টতনি। ইন্দিয়াগী ঙসি ফংখিবা ব্রোঞ্জ মেডল ৪ অদু বোক্সিংদা ৩ অদুগা রেষ্টলিংদা ১নি।

ঙসি ব্রিজবেন সিটিগী বেলমোন্ট সুট্টিং রেঞ্জদা পাঙথোকখিবা নুপীগী রাইফল ৩ পোজিসনগী ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী সুট্টর অনী শরুক য়াখিবদা ইন্দিয়াগী টেজাশ্বিনি সৱান্টনা গোল্ড অদুগা অঞ্জুম মোদগিলনা সিলভর মেডল ফংখিবনি।

টেজাশ্বিনিনা নিলিং (কুনবা) পোজিসনদা পুন্না পোইন্ট ১৫৪.৪ ফঙখি। প্রোন (হিপ্প) পোজিসনদা পোইন্ট ১৫৭.৭ অদুগা ষ্টেন্দিং পোজিসনদা পোইন্ট ১৪৭.৭ ফংদুনা পুন্না পোইন্ট ৪৫৭.৯ ফংলগা কমনৱেল্থ গেমসকী অনৌবা রেকোর্ড অমা থম্বা ঙম্বগা লোয়ননা গোল্ড মেডল অদু ফংখি।

ইভেন্ট অদুগী সিলভর ফংখিবী ইন্দিয়াগী অতোপ্পা সুট্টর অঞ্জুম মোদগিলনা নিলিংদা পোইন্ট ১৫১.৯, প্রোনদা ১৫৬.১ অদুগা ষ্টেন্দিংদা পোইন্ট ১৪৭.৭ ফংলগা পুন্না পোইন্ট ৪৫৫.৭ ফংখিবনি। ইভেন্ট অদুগী ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা স্কোটলেন্দগী সুট্টর সিওনেদ মেকিনটোসনা পুন্না পোইন্ট ৪৪৪.৬ ফংলগা লৌখিবনি।

ইন্দিয়াগী ঙসি ফংখিবা অনীশুবা গোল্ড মেডল অদু মশাগী চহী ১৫দা ঙাইরিবা অনিস ভনৱালানি। মহাক্না নুপাগী মিটর ২৫গী রেপিদ ফায়র পিষ্টোল ইভেন্টতা ক্বালিফিকেসনদা পোইন্ট ৫৮০ অদুগা ফাইনেল রাউন্দদা পোইন্ট ৩০ ফংদুনা গোল্ড মেডল অদু লৌখিবনি। অনিসনা ইন্দিয়াগী কম্মনৱেল্থ পুৱারীদা খ্বায়দগী চহী নৌবা শান্নরোই অমনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙম্বা শান্নরোই ওইখি।

ইভেন্ট অদুগী ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা ইন্দিয়াগী নিরজ কুমারনা পোইন্ট ৫৭৯ ফংদুনা ফাইনেল য়ৌরকপনি। অদুবু ফাইনেল রাউন্দদা শুপ্পগী পোইন্ট ১৩খক ফংখিবদগী মেডল ফংবা ঙমখিদবনি। ইভেন্ট অদুগী সিলভর মেডল অদুনা ওষ্ট্রেলিয়াগী সর্গে ইৱগ্লেস্কিনা পোইন্ট ২৮দা ফংখি অদুগা ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা ইংলেন্দগী সাম গোৱিননা পোইন্ট ১৭তা লৌখি।

রেষ্টলিং দিসিপ্লিনদা ইন্দিয়াগী বজ্রং পুনিয়ানা নুপাগী কেজি ৬৫ গী ফ্রি ষ্টাইল ইভেন্টতা গোল্ড মেডল ফংবা ঙমখিবনি। মহাক্না ফাইনেল বাওট অদুদা ন্যু জিলেন্দগী রেষ্টলর ব্রাম রিচার্দসপু মায়থিবা পীখিবনি।

রেষ্টলিং দিসিপ্লিনগী নুপীগী কেজি ৫৭কী ফ্রি ষ্টাইলদা ইন্দিয়াগী পুজা ধনদানা ফাইনেলদা নাইজেরিয়াগী ওদুনায়ো অদাকুরোয়িগা লম্বা তৌনবদা মায়থিদুনা সিলভর মেডল ফংহৌখি। ইভেন্ট অদুগী ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা কানাদাগী ইমিলি স্কেফরনা লৌখি।

সিলভর ফংখিবা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর মোসন খাত্রিনা সাউথ অফ্রিকাগী মার্টিন ইরাসমুসকী মখূত্তা ফাইনেল বাওট অদু মায়থিহৌবনি।

ইন্দিয়াগী মরিশুবা সিলভর মেডল অদু টেবল টেন্নিসকী নুপীগী শান্নরোইনা ফংখি। ইন্দিয়াগী মনিকা বত্র অমসুং মোমা দাসনা ফাইনেলদা সিঙ্গাপোরগী ফেংটিয়ানৱৈ অমসুং য়ু মেংয়ুগী মখূত্তা ৫-১১, ৪-১১, ৫-১১ দা মায়থিহৌবনি।

ঙসি ইন্দিয়ানা ব্রোঞ্জ মেডল ৪ ফংখিবা অদু বোক্সিংদা ৩ অদুগা রেষ্টলিংদা ১নি। ব্রোঞ্জ ফংখিবা বোক্সরশিং অদুদি কেজি ৯১ দা নামন টনৱার, কেজি ৫৬ তা এমদি হুসামুদ্দিন অমসুং কেজি ৬৯ দা মনোজ কুমারনি। অদুগা রেষ্টলিংগী নুপীগী কেজি ৬৮ গী কাঙলুপ্তা দিভিয়া কাক্রাননি।

হোক্কিঃ-

নুপাগী হোক্কি কম্পিটিসনদা ঙসি ইন্দিয়াগী টিম অহানবা সেমি ফাইনেলদা ন্যু জিলেন্দগী মখূত্তা পাঞ্জল ২-৩ দা মায়থিদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদবদগী ব্রোঞ্জ মেডলগীদমক্তা ইংলেন্দগা লম্বা তৌনরগনি।

ইন্দিয়াগী টিম্না ন্যু জিলেন্দগা শান্নবা সেমি ফাইনেল অদুগী অহানবা হাল্ফতা পাঞ্জল ১-২ দা শোখদুনা লৈখি। অনীশুবা হাল্ফতা ন্যু জিলেন্দনা পাঞ্জল অমা হাপচিল্লবা মতুং ইন্দিয়ানা লোইরমদাইদা পাঞ্জল অমখক চনবা ঙমখিবা অদুনা উপায় লৈখিদবদগী সেমি ফাইনেল মেটচ অদু ২-৩ দা মায়থিহৌবনি।

ফাইনেলদা ন্যু জিলেন্দ অমসুং ওষ্ট্রেলিয়া লম্বা তৌনরগনি। অদুগা ব্রোঞ্জ মেডলগীদমক্তা গেমস অসিগী য়ুম্বু লৈবাক ওষ্ট্রেলিয়ানা ২-১ দা মায়থিবা পীরম্বা ইংলেন্দনা ইন্দিয়াগা লম্বা তৌনরগনি।

বোক্সিংঃ-

ইন্দিয়াগী নুপীগী বোক্সর এমসি মেরি কোম হয়েং কেজি ৪৮ গী কাঙলুপ্তা নোর্দন আয়রলেন্দগী বোক্সর কৃষ্টিনা ও হারাগা গোল্ড মেডলগীদমক লম্বা তৌনরগনি।

নুপাগী কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী বোক্সর ৫ ফাইনেল য়ৌদুনা মেডল টেল্লিদা ইন্দিয়াগী গোল্ড অমসুং সিলভর হেনগৎলকপা য়াবগী তাঞ্জা লৈরি।

বেদমিন্টনঃ-

ইভেন্ট অসিগী ওইনা ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপীগী সিঙ্গলসকী শান্নরোইশিং সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙল্লি। নুপাগী দবলসতা ইন্দিয়াগী টিম সেমি ফাইনেল চঙলি। নুপীগী দবলস অমসুং মিক্স দবলসসু ইন্দিয়াগী টিমগী শান্নরোইশিং সেমি ফাইনেল য়ৌদুনা মেডল ফংবা য়াবগী খুদোংচাবা লৈরি।

স্কৱাসঃ-

ইন্দিয়াগী নুপীগী দবলসকী জোস্না অমসুং পালিকর সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙল্লি। লোয়ননা মিক্স দবলসতা সৌরব অমসুং দিপিকা সেমি ফাইনেল য়ৌদুনা মেডলগী আশা থল্লি।

টেবল টেন্নিসঃ-

ইন্দিয়াগী সরাথ কমাল সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেল য়ৌদুনা মেডলগী আশা থল্লি। নুপীগী কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী মনিকা বত্রসু সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙল্লি। লোয়ননা মিক্স দবলসতা ইন্দিয়াগী কমাল অমদি মোমা দাস লোয়ননা সাথিয়ান অমসুং মনিকা বত্রসু সেমি ফাইনেল য়ৌদুনা দিসিপ্লিন অসিদা মেডল মশীং খরা ফংলকপা য়াবগী খুদোংচাবা লৈরি।



*কেজি ৬৫ গী ফ্রি ষ্টাইল ইভেন্টতা গোল্ড ফংখ্রবা ইন্দিয়াগী বজ্রং পুনিয়া*

**Commonwealth Games 2018 Medal Tally**

| Rank | Country | G | S | B | T |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Australia | 65 | 49 | 54 | 168 |
| 2 | England | 31 | 34 | 34 | 99 |
| 3 | India | 17 | 11 | 14 | 42 |
| 4 | Canada | 14 | 34 | 26 | 74 |
| 5 | South Africa | 13 | 10 | 12 | 35 |
| 6 | New Zealand | 10 | 14 | 12 | 36 |
| 7 | Scotland | 9 | 13 | 19 | 41 |
| 8 | Nigeria | 8 | 5 | 5 | 18 |
| 9 | Cyprus | 8 | 1 | 5 | 14 |
| 10 | Wales | 7 | 10 | 12 | 29 |
| 11 | Jamaica | 6 | 8 | 8 | 22 |
| 12 | Malaysia | 5 | 5 | 10 | 20 |
| 13 | Singapore | 3 | 1 | 1 | 5 |
| 14 | Uganda | 3 | 0 | 2 | 5 |
| 15 | Kenya | 2 | 5 | 6 | 13 |
| 16 | Samoa | 2 | 2 | 0 | 4 |
| 17 | Botswana | 2 | 1 | 0 | 3 |
| 17 | Trinidad and Tobago | 2 | 1 | 0 | 3 |
| 19 | The Bahamas | 1 | 2 | 0 | 3 |
| 19 | Papua New Guinea | 1 | 2 | 0 | 3 |
| 21 | Northern Ireland | 1 | 1 | 4 | 6 |
| 22 | Fiji | 1 | 0 | 2 | 3 |
| 23 | Bermuda | 1 | 0 | 0 | 1 |
| 23 | Grenada | 1 | 0 | 0 | 1 |
| 23 | British Virgin Is. | 1 | 0 | 0 | 1 |
| 26 | Bangladesh | 0 | 2 | 0 | 2 |
| 27 | Sri Lanka | 0 | 1 | 5 | 6 |
| 28 | Isle of Man | 0 | 1 | 0 | 1 |
| 28 | Mauritius | 0 | 1 | 0 | 1 |
| 28 | Nauru | 0 | 1 | 0 | 1 |
| 31 | Pakistan | 0 | 0 | 3 | 3 |
| 32 | Vanuatu | 0 | 0 | 2 | 2 |
| 33 | Cameroon | 0 | 0 | 1 | 1 |
| 33 | Cook Islands | 0 | 0 | 1 | 1 |
| 33 | Dominica | 0 | 0 | 1 | 1 |
| 33 | Ghana | 0 | 0 | 1 | 1 |
| 33 | Malta | 0 | 0 | 1 | 1 |
| 33 | Norfolk Island | 0 | 0 | 1 | 1 |
| 33 | Seychelles | 0 | 0 | 1 | 1 |
| 33 | Solomon Islands | 0 | 0 | 1 | 1 |



*নুপাগী মিটর ২৫ গী রেপিদ ফায়রদা গোল্ড ফংখ্রবা ইন্দিয়াগী ভনৱালা*

## ফিফা ৱার্ল্ড কপ ২০১৮-রুশিয়া টিমশিংগী প্রোফাইল ১৭ (স্পেন)

### এল. কালা, উরিপোক

ঐখোয় খঙমিন্নসি ফুটবোল মশান্নদা ফাওরিবা স্পেন লৈবাক্কী ওইবা লমমিৎ তু মিৎকী মরমদা খরদং দা ওইরবসু। স্পেন লৈবাক অসি য়াম্না ঙন্নিখৈদগী রোমান ইম্পরর লৈঙাক্লা হৌরকপনা লম্বী থোং য়ুম্লে কৈরৈ, ফজ ফজরবা মফম সমুদ্র খোঙবান লমকোয়বশিংগী পূক্লিং চিং শিন্নীংঙাই ওইরবা মফম অচৌ-অচৌবা হোটেল কয়া, মোরিশ টেরিটোরিগী ময়ায়দা ঙানথোইরিবা কোরদোবা সহর য়ুরোপকী মনুংদা অমদি পৃথিবীগী ওইনা শীংথানরিবা সহর অমা ওইবগীদমক স্পেন লৈবাক্না চাওথোকচরিবনি। পোর্টুগাল, ফ্রান্স, অট্লান্টিক ওসিন অমসুং মেদিটেরান সিনা কোইশিনবা স্পেন লৈবাক অসি নীংতম্বা লৈবাক অমা ওইনা ১৪৯২ দগী লৈঙাকচদুনা লমগী পাক চাওবনা ৫০৪,৭৫০ স্কৱার কিলোমিটর, কোষ্ট লাইননা ৪৯৬৪কিলোমিটর, মীশিংনা ৪৭,৭৩৭,৯৪১ (২০১৫) বিলো পোভরটি লাইননা ২১.১ পার্সেন্ট, লাইরিক লৈবগী চাংনা ৯৭.৭ পার্সেন্ট, লাইফ এক্সপেনটেসিনা ৮০.৪৯ পার্সেন্ট, ঙাঙনবা লোলনা স্পেনিস, কাটালেন, বাসকিউ অমসুং গারিশিয়ান লোল মরি ঙাংনবা লৈবাক্নি। শীংথানবা য়াবা সহরশিংগী মনুংদা লৈবাকসিগী কোনুং মাদ্রিদ লোয়ননা বারসেলোনা, ভেলেন্সিয়া অমদি সিভিলানি। য়ুরোপ লৈবাকশিংগী মনুংদা ইনৌনৌনা সাইন্টিফিক টেক্নিক্কী খুজু খুৎলাই হৌদোক্নুনা নুমিৎ, থা, থৱানমিচাক কয়াগী অরাপ্পা অমদি খোঙচৎকী মরমদা খঙবা নৈন্নবা হৌদোকখিবা লৈবাক্নি। য়ুরোপ মহাদেশকী ওইনা লমগী পাক চাওবদা মরিশুবদা লৈরিবা স্পেন ফুটবোল লীগ শান্নরিবা টুর্নামেন্ট কয়াগী মনুংদা স্পেনগী লা লীগা অসিসু য়াম্না হেন্না শীংথানিংঙাই ওইবা থাক্কী মনুং চল্লিবনি। মালেমগী শক্লাইরবা ফুটবোল শান্নরোই কয়া লা-লীগা লীগতা লোয়নম্না শান্নবা উবগী খুদোং চাবা ফংই। স্পেনগী মীপুম খুদিংনা খ্বাইদগী পাম্না য়েংনবা 'রোয়েল স্পেনিস ফুটবোল ফেদরেশন ১৯০৪ দা ফিফা মেম্বর ওইদুনা ফুটবোলদা ঙাওজবা লৈবাক ওইনা লাকখি। স্পেন নেসনেল টিম শেমদুনা মীমাঙ থোক্না শান্নবা ইন্টরনেসনেল মেটচ অমা ২৮।১।১৯২০ দা বেলজিয়মগী ব্রুসেলদা দেনমার্কপু ১-০ দা থোইবা অসিনা বোল হৈবা লৈবাক্কী হায়না উৎপা ঙম্বা ওইখি।

পৃথিবীদা প্রোফেসনেল ঙাওজবা মশান্না ফুটবোল অসি লা লীগা ফম্বাক অসিনি। স্পেন লৈবাক য়ুরোপিয়ান চেম্পিয়ন্স ১০ রক য়াওবদা ৩ লক চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে। (১৯৬৮, ২০০৮, ২০১২) অদুগা ১৯৯২ ওলিম্পিক গেমসতা সনাগী মেডল, ১৯২০, ২০০০ দা লুপাগী মেডল ফংবা ঙমখিবা অসিনা পৃথিবীদা লৈরিবা লৈবাকশিংদগী ঐখোয়সু মশান্না অসিদা করিগুম্বা খরদি তৌবা ঙমই হায়না উৎতুনা লাক্লি। ফিফা ৱার্ল্ড কপ মঙফাওনবা ঙম্বদি ২০১০ ফিফা ৱার্ল্ড কপ চেম্পিয়ন ওইবা ঙম্বসিনা ওইরি। ফাইনেলদা নেদরলেন্দস (হোলেন্দ) বু ১-০ দা থোইখি। স্পেন লৈবাকসু মালেমগী শক্লাইরবা শান্নরোই কয়া অমা পোক্লবসু মশান্নসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা ফম্বাক ফিফা ৱার্ল্ড কপ অসিদি হান্না ১৪ রক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রবসু ১৯৫০ দা মরিশুবা তাখিবা, ২০১০ দা চেম্পিয়ন ওইবা অসি নত্তনা কদাইদনো অশোয়বা য়াওনা ফাকন্না হোৎনদুনা লাক্লবসু মহৈ চাবা ইফং ফংদনা হৌজিকসু ফিফা রেঙ্কিংদা ১৫শুবা ওইনা ক্বালিফাই ওইদুনা রুশিয়াদা য়াওগদৌরিবা অসিদা হেদ কোচ জুলেন লোপেটেকুইনা স্পেননা গ্রুপ 'বি' দা পোর্টুগাল, মোরোকো অমসুং ইরানগা শান্নদুনা ইহান হানবা ওইনা রাউন্দ ওফ সিক্সিন চঙদবা য়াদে, মালেমদা শক্লাইরবা ফুটবোল এনদ্রেস ইনৈসটা, জাভি, গোল কিপর ঐকার কাসিলাস, রাওল, কারলস পুয়োল, দেবিদ ভিল্লা, লুইস স্বারেজ, অলফ্রানদো ফর্নান্দো টোরেস, জাবি ওলোন্সো, জিনটো, রামোস পোকখিবা স্পেন চাং তাবা য়ারোই হায়না অনৌবা লাল্লোং কয়া শেম্বা লোইখ্রে, য়েংসি।

## মার্সিয়েল, আর্সনেল, সালসবর্গ অমসুং এটলেটিকো মাদ্রিদ য়ুরোপা লীগ ফুটবোলগী সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে



*মার্সিয়েল অমসুং রাসেনবোল লৈপজিকনা শান্নখিবা য়ুরোপা লীগকী অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল লেগকী মেটচ অমা*

*পেরিস, এপ্রিল ১৩ঃ*

য়ুরোপকী ফুটবোল শান্নবা লৈবাকশিংগী তোঙান-তোঙানবা ক্লবশিংগী ওইবা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা য়ুরোপা লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙরাং শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেলগী অনীশুবা লেগকী মেটচশিংদা অহানবা লেগকী স্কোরশিং পুনশিল্লগা মায় পাক্নুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবা ক্লবশিং অদু ফ্রান্সকী মার্সিয়েল, ইংলেন্দগী ক্লব আর্সনেল, ওষ্ট্রিয়াগী ক্লব সালসবর্গ অমসুং স্পেনগী এটলেটিকো মাদ্রিদনি।

ফ্রান্সকী মার্সিয়েলনা ঙরাং জমর্নিগী রাসেনবোলস্পোর্ট লৈপজিককা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেলগী অনীশুবা লেগ অদুদা পাঞ্জল ৫-২ দা থোইখি। টিম অনীনা অহানবা লেগতা লৈপজিকনা পাঞ্জল ১-০ দা মার্সিয়েলবু থোইখিবনি।

মার্সিয়েলগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা শান্নরোইশিং অদুদি বোনা সর, ফ্লোরিয়ান থোবিন, দিমিত্রি পায়েট অমসুং হিরোকি সকাইনি। টিম অনীনা ক্বার্টর ফাইনেলগী লেগ অনী পুশিল্লগা লৈখিবা স্কোরদা মার্সিয়েলনা লৈপজিকপু পাঞ্জল ৫-৩ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেলদা ওষ্ট্রিয়াগী য়ুরোপা লীগ অসিদা অহানবা ওইনা সেমি ফাইনেল য়ৌরকপা সালসবর্গকা লম্বা তৌনরগনি।

সালসবর্গনা ইটালিগী ক্লব লাজিওগা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেলগী অনীশুবা লেগ অদুদা পাঞ্জল ৪-১ দা মায় পাকখি। পনবা য়াবদি টিম অনীনা অহানবা লেগ শান্নবদা লাজিওনা সালসবর্গপু পাঞ্জল ৩-২ দা থোইখিবনি।

ঙরাংগী মেটচ অদুদা সালসবর্গকী মায়কৈদগী মুনাস দাবুর অমাদো হায়দরা, হি চান হৱাং অমসুং ষ্টেফান লৈনরনা পাঞ্জল ৪ অদু চনখিবনি। অদুগা লাজিওগী মায়কৈদগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু সিরো ইমোবিলনা চনখি।

য়ুরোপা চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙরাং শান্নখিবা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেলগী অনীশুবা লেগকী মেটচ অমদা ইংলেন্দগী ক্লব আর্সনেল অমসুং রুশিয়াগী সিএসকেও মোস্কো পাঞ্জল ২-২ চন্নরগা দ্রো চৎখি।

অদুবু টিম অনীনা শান্নখিবা অহানবা লেগতা আর্সনেলনা সিএসকেএ মোস্কোবু পাঞ্জল ৪-১ দ থোইখিবা মরম্না এগ্রিগেটতা মখোয়না সিএসকেএ মোস্কোবু পাঞ্জল ৬-৩ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ঙরাংগী মেটচ অদুদা আর্সনেলগী মায়কৈদগী দেনি ৱেলবেক অমসুং আরোন রামসেনা পাঞ্জল অমমম চনখি। অদুগা সিএসকেএ মোস্কোগী মায়কৈদগী ফেদোর সালোভ অমসুং কিরির নভাকিননা পাঞ্জল ২ চনখিবনি।

আর্সনেলনা সেমি ফাইনেলদা স্পেনগী ক্লব এটলেটিকো মাদ্রিদকা লম্বা তৌনরগনি। ঙরাং এটলেটিকো মাদ্রিদনা শান্নখিবা অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল লেগকী মেটচ অদুদা পোর্টুগালগী ক্লব স্পোর্টিং সিপিগা লম্বা তৌনখি।

স্পোর্টিং সিপিগী মায়কৈদগী মেটচ অদুগী ২৮শুবা মিনটতা ফ্রেদি মোন্টেরোনা অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা এটলেটিকো মাদ্রিদপু মাঙজিলও থাবা ঙমখি।

নীংশিংবা য়াই টিম অনীনা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচ অদুদা স্পেনগী ক্লব এটলেটিকো মাদ্রিদনা পাঞ্জল ২-০ দা মায়থিবা পীখিবা অদুনা মরম ওইরগা ঙরাংগী মেটচ অদুদা স্পোর্টিং সিপিগী শান্নরোইশিং পাঞ্জল ৩ চন্দুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবগী আশাদা শান্নরকপনি।

অহানবা হাল্ফতা স্পোর্টিং সিপিগী মোন্টেরোনা পাঞ্জল অমা চনখ্রবা মতুং টিম অদুগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনরকপদা এটলেটিকো মাদ্রিদকী দিফেন্দরশিংনা মখোয়গী মশান্না মপুং ফাহন্দুনা মখা তাবা পাঞ্জল অমত্তা চলহন্দনা মেটচ অদু ০-১ দা মায়থিরবসু এগ্রিগেটতা মখোয়না ২-১ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেলদা ইংলেন্দগী আর্সনেল ফুটবোল ক্লবকা লম্বা তৌগদৌরিবনি।